লৌমিশিংনা মেছিন্না লৌ য়েনবা ঙাইনবদা অৰাবা ওইরে

বিজয় লাইশ্রম

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচএনএস) : চাওখৎলকপগী মতুংইন্না লমদম অসিদসু লৌমীশিংনা চহী অমগী চানবা লৌ উবা মতমদা হৌজিক-হৌজিক লৌ খোয়বা, খাউবা অমদি য়েবা মতমদা মেছিন্না মীগী মহুৎ শিনখিবদগী লৌবুক্তা লৌ কোয়নবা ষনপোৎকী লাঙ্গোল, লৌ খাউনবা মী অমদি লৌ য়েনবা মীওইশিং থীবদা অৰাবা ওইরে। লৌ য়েনবা চেছিন অমদি লৌ খাউনবা মেছিনসু মণিপুরদা মশীং য়াম্না লৈতবনা লৌ মতম চানা লোক্লবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা অৰাবা কয়া মায়োক্লুরে হায়না তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদগী লৌমিশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি।

লৌ খাউদোক্লগা য়েনবা মেছিন অমুক ৰাইবা ফংদবদগী থা মখায় অমুক চোম্থরগা লৌ য়েবা য়াওরি। হন্দক্কী লৌ লোক্লরমদাই মতমদা নোং তাশিনখিবা অদুনা লৌফম অকুৎপা মফমশিংদা লৌ খাউনবা অমদি য়েনবা হোৎনবদা ঈশিং লৈবা অমদি লৈখোম-লৈনাং লৈবনা মতম চানা লৌ লোক্লবা ঙমখিদে। ঈশিং লৈবা লৌফমদা লৌ খাউরবা মতুংদা মদু অমুক মেছিন্না লৌ য়েনবগীদমক অতোংবা মফমদা অমুক ময়াম চংদুনা হোনগৎলগা পৈরগা অমুক থম্নবা হোৎনবদা হেন্না পৈশা চঙহল্লে। ফৌ পান্থীশিং অদু মুল্লবা মতুংদা মতম চানা খাউবা ঙমহৌদবদগী ফৌ চরোংশিং তৎতুনা লৌ খাউবা অমদি ফৌবোন খোম্বা মতমদা লৈবাক্তা ফৌ মরু কেন্দুনা তাহৌরে হায়রি। ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নোংঙাদা খুনগী লৌমি বিমোল কৌবা অমনা পাউচে অসিগা উন্নবদা মহাক্না ফোঙদোরকপদা হন্দক চহীদি ফৌ খর লোক্কদরা হায়না আশা তৌরম্বনি। অদুবু ফৌ শাৎলমদাই মতমদা অমুক ৰাহিক তিল ফৌদা তাবদগী ফৌ পান্থী খরা হাৎখ্রে। ৰানা হোৎনদুনা ফৌ মুল্লবা মতমদা নোং অমুক তাশিল্লকপদগী খরা থেংথনা ফৌ খাউনাবা হোৎনখি। লৌ খাউরবা মতুংদা লৌ য়েনবা মেছিন অমুক ৰাইনবা হোৎনবগা লোয়ননা মেছিন শংবগী মতম ঙাইনবদা অৰাবা কয়া মায়োক্লরি।

মেছিন্না লৌ খাউবগী মতম অসি মফম অমগা মফম অমগা মমল মান্নদে। লৌ শঙম অমা মেছিন্না লৌ খাউবদা লুপা ১৭০০ তগীনা ২০০০ লৌই। মীনা খাউবা মতমদনা লৌ শঙম অমদা লুপা ৩,৫০০দগীনা ৩.৭০০ রোম লৌরি। মেছিন্না লৌ শঙম অমা লৌ য়েবদা পুং ১ রোমদি চঙই। লৌ শঙম অমা লৌ য়েবগী মমলনা লুপা ২০০০দগীনা লুপা ২২০০ রোম লৌই। চাংচৎতা লৌ শঙম অমদা খরা ফবা লৌফমদা ফৌবোৎ ২৪/২৫ রোম থোকই। অদুগা খরা ফত্তবা লৌফমদনা লৌ শঙম অমদা ফৌবোৎ ১৩/১৪ থোকই হায়রি। মেছিন্না লৌ য়েবা তারবসু মীওই ৯/১০ রোমদি অদুমক চঙই। মেছিন্না নোংমদা লৌ শঙম ৭/৮ রোমদি য়েবা ঙম্মী। অদুবু মেছিন পান্নরিবা মীওইনা ফোঙদোরকপদা মখোয়না লৌফম অমা মেছিন্না লৌ য়েবা চৎপদা মীওই ৪/৫দি পুরগা চৎলি। অদুবু থবক শুরিবা মীওইশিং অদু ৰাবনরা খঙদে নুমীৎ ২/৩ লৌ য়েবা য়াওরল্লগা মশা ঙমদে হায়দুনা হেক্তা লাক্তবা য়াওই। মীগী লৌ য়েবগী ওর্দর হান্না লৌশিল্লুবনা তঙাইফদনা চৎতবা য়াদবনা অনৌবা মী অমুক থীরগা মেছিন্না লৌ য়েনবা চৎনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া থেংনদবা নত্তে।

লৌ য়েগদৌরিবা মফম অদু তান্না চৎপদা অমদি হল্লকপদা পুথবদগী অমুক স্কাভেটর মেছিন্নচিংবা অমুক ৰাইরুবগা চিংখৎপসু য়াওরি। ইম্ফাল ইষ্টকী ঈশিংনা থুন্নবা লৌফমশিংগী লৌ শঙম অমা মেছিন্না খাউবদা লুপা ২৫০০দগী লুপা ৩০০০ ফাওবা লৌই হায়রি। মীনা লৌ শঙম অমা খাউবা মতমদনা লুপা ৪০০০দগী লুপা ৫০০০ ফাওবা লৌবা য়াওরি। ঈশিং লৈবা লৌফম অমমিমদ খরা শাংনা ফৌবোন খোল্লগা অতোংবা মফমদা ফৌ য়েনবা পৈশিনবদা লৌ শঙম অমদা লুপা ৪০০০/৫০০০ রোম লৌই হায়রি। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ৰাংঙু এরিয়াদা লৈবা জিতেন কৌবা লৌমী অমনা ফোঙদোরকপদা হন্দক ফৌ লোক্লমদাইদা করিগুম্বা নোং চুরমদবা তারবদি নুমীৎ খরনি মমাংদা লৌ লোকপা লোইনরল্লগনি। ৰাংঙু এরিয়াদদি মেছিন্না লৌ শঙম অমা লৌ খাউবদা লুপা ১৩০০ রোম লৌই। মেছিন্না লৌ য়েবা মতমদা লৌ শঙম অমদা লুপা ১৫০০ রোম লৌরে। লৌ য়েবা লোইরগা য়ূমদা ফৌ চিংখৎপা মতমদা ফৌবোৎ অমদি লুপা ২০/২০ রোমগী চাংদা লৌই। মীনা লৌ শঙম অমা খাউবদা লুপা ২৫০০দগী ২৭০০ রোম লৌই। নোংমদা নুপা অমগী খুলং লুপা ৪০০ অদুগা নুপীনা লুপা ৩০০ পী হায়রি।

অমরোমদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এরিয়াদা মেছিন্না লৌ শঙম ১ খাওবদা লুপা ২৫০০ লৌরি। মেছিন্না লৌ শঙম অমা য়েবগী মমলনা লুপা ২৫০০ লৌই। ফৌবোন খোম্বগীনা ঈশিং লৈবা লৌফমগী লৌ শঙম অমদা লুপা ৪০০০/৫০০০ রোম লৌই হায়না ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা শগোলতোংবদগী শান্তা কৌবা লৌমী অমনা ফোঙদোরক্লি। মহাক্লা মখা তানা হায়, চাংচৎতা লৌ শঙম অমনা ফৌবোৎ ২৪/২৫ রোম থোকই। হৌজিক অনৌবা লৌকপা লৌ মোন অমদা লুপা ৯০০ অদুগা অরিবা ফৌনা মোন অমদা লুপা ৮০০দা তাইবদা লৈবিনবা মীওই লৈতে হায়রি।

হন্দক লৌ লোল্লখ্রবা লৌফমশিংদা ষ্টেট অসিগী এগ্রিকলচর লোইশঙনা লৌমিশিংদা থাউ শুংনবা হঙ্গাম মরু অমদি অলুনচিংবা খরা পীবিরবদি চাথোক য়াম্না ফংবা ঙমগনি। মরম অদুনা লৈঙাক্লা লৌমিশিংদা মতমগা চুনবা খুৎলায়শিং সবসিদি য়াওনা খরা য়াম্না ফংহনবীবা মথৌ তাই হায়রি।

মণিপুর ষ্টেট পেন্সনর য়ুনিয়ননা লাইরিক অমা ফোংখ্রে

PUBLICATION OF BOOK
ABLE PLANNING OF TOURISM INDUSTR
IN NORTH EAST STATES OF INDIA
SHRI. ROM DILIPKUMAR SINGH

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচএনএস): মণিপুর কলেজগী মায়োক্লবা পিশুমথোংদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট পেন্সনর্স য়ুনিয়ন (এমএসপিয়ু) না ‘সষ্টেনেবল প্লানিং ওফ টুরিজম ইন্দষ্ট্রিজ ইন দি নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া’ হায়বা লাইরিক অমা হৌনবী মতু ইন্না ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ৯ তারকপদগী পিশুমথোংদা লৈবা পেন্সনর্সশঙলেনদা পাঙথোকখিবা লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অসিদা হান্নগী মিনিষ্টর এল জয়েন্তকুমার, এমএলএ না অথোইবা মীথুংলেন ওইখি অদুগা মনিদকো অমসুং মনিত্রোনগী চেয়ারমেন ডা. রাধেশ্যাম য়ুম্নাম, এমএলএ অমসুং এস কুঞ্জাবিহারি (আইএএস-রিটায়ার্দ) না ঈকায়খুম্নরবা মীথুংলেনশিং ওইরগা পেন্সনর য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট ডা. এম রাজেন্দ্রনা ময়ায় তাংবল লৌখি।

ঙসি মণিপুর ষ্টেট পেন্সনর য়ুনিয়ন্না ফোঙদোক্তুনা মীয়ামদা খুদোল তমখিবা লাইরিক অসি ঐচ দিলিপকুমারনা ইবনি। থৌরম অসিদা ঈকায়খুম্নরবা মীথুংলেন ওইখিবা এস কুঞ্জবিহারিনা লাইরিক অসিবু মীয়ামদা মশক তাকখি।

‘মীয়ামগী অফবা খোঙথাংনি’

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচএনএস): কোভিদ ১৯ পোজিটিভ ওইদুনা শিখিবা মীওইশিং পোৎলোইবদা কন্টেমেনেসন থোক্তনবা লৌখৎপা চেকশিন থৌরাংদা চঙবা শেনফম মণিপুর লৈঙাক্লা পুথোক্লগনি হায়না হেল্‌থ সার্ভিসেসকী দাইরেক্টনা হায়খিবা ৰাফম মীয়ামগী অফবা খোঙথাংনি হায়না মণিপুর পিপলস দিমোক্রেটিক এলায়েন্সকী কনভেনর ডা: এম ধনবিরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, অসিগুম্বা লৈঙাক্কী থৌশিল অসিনা লৈতা লাইরবা মীয়ামগী য়াইফনবা মরু ওইনা কোভিদ ১৯ লায়নদগী ঙাকথোক্লবগী লৌখৎলকপা খোঙথাং খুদিংদা মণিপুর পিপলস দিমোক্রেটিক এলায়েন্স (এম পি দি এ) না তরাম্না ওকপগা লোয়ননা শরুক য়ারি।

কোভিদ ১৯ লায়নদগী কন্ননবগীদমক লৈঙাক্লা লাউথোকখিবা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লনবা হায়খিবা ৰাফমগী ৰাংমদা চখুরকপা মানবা থৌওংশিং হায়বদি পেসেঞ্জর গাড়ীশিংদা মী কুংনা হাপচিল্লগা গাড়ীগী অতোংমলনা লৌরিবা, অমরোমদা ফেস মাস্ক উপ্পা উপ্তবা থিদনা গাড়ীগী অতোংমল ফংনবগী খুদোংচাবা লৌনিংবা কাংবুশিং মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মীৎয়েং চঙহৌদ্রবদি ফনা কন্না হোৎনরবসু কাংখা থাং তাদুনা তোক্কনি অমদি লৈতা লাইরগী লাইরবশিংদা ফোংনা শগুন তৌবদা শরুক য়ারিবনি হায়রোইদবগী মরম লৈতে। ৰাফমশিং অসিগা মরী লৈননা লৈঙাক্লা অখন্নবা মীৎয়েং চঙগদবনি অমদি পেসেঞ্জর সার্ভিস তৌরিবশিংনসু কোভিদ ১৯ দগী ঙাকথোক্লবা চৎনা কাঙলোনশিং ঙাক্লা চৎপীনবা আপিল তৌরি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

লৈঙাক্কী ফিরেপ হন্দোকপীয়ুঃ এসোসিয়েসন

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর হিল দিষ্ট্রিক্টস কন্ত্রেক বেসিস টিচর্স এসোসিয়েসন (এ এম ঐচ দি সি বি টি এ) গী মখাদা মেম্বর ওইরিবা ওজাশিং রিগুলাইজেসন তাহন্ননবা প্রোসেস চথরিঙৈ অমদি ৰারোইশিন পুরক্ত্রিঙৈদা অনৌবা গ্রজুয়েট ওজা ৯২৩ লৌনবগী লৈঙাক্কী ফিরেপ অদু হন্দোকপীয়ু। মদু নৎত্রবদি অকনবা খোঙজং কয়া চংশিল্লগনি হায়না ওল মণিপুর হিল দিষ্ট্রিক্টস কন্ত্রেক বেসিস টিচর্স এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট থোংখোহাও খোংশাইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কুমজা ২০০৬ তা কন্ত্রেক বেসিসতা খনখিবা ওজাশিংনা তলবকী থিদনা অৰা অনা কয়া খাংলগা চীংগী মফমশিংদা মহে মশিনগী অৰাৎপা কয়া মেনখত্তুনা লাকখি। ওজাশিংগী অৰা অমদি কথোকপা অসি উবদগী কুমজা ২০১১ দা মতম অদুগী লৈঙাক্লা রি-এঙ্গেসমেন্টগীদমক ফিজিকেল অমদি রিলিভেন্ট দোকুমেন্টশিং ফেরিফিকেসন তৌদুনা ৭৭২ জেনিন ওই হায়বা খঙখি।

লোয়ননা হায়র ওথোরিটিনা মখা তাবা থবক থৌরমশিং লৌখৎনবা ওর্দর থোকখি। লাইবক ফবদগী হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা পেন্দিং কেস অমত্তা থম্মোয় হায়বগী পান্দমদা অমুক হন্না রি-ভেরিফিকেসন তৌদুনা ওজাশিং অসিগী এক্সটেন্সন/রিগুলাইজেসনগীদমক থবক পায়খৎখি। মদুদা ওজা ৫৬৪ জেনিন ওই হায়বা খঙখি। অদুবু লাইবকথিবদি ঙসি ফাওবা থবক্তা ওন্থোকপদি ঙমদ্রি।

অমরোমদা তম্পাক্কী মসিগা মান্নবা কেস অমা কুমজা ২০০৮ তা কন্ত্রেক বেসিসতা লৌবা ওজাশিং কুমজা ২০১৬ তা রিগুলরাইজেসন তৌখি। কুমজা ২০০৬ তা কন্ত্রেক বেসিসতা খনখিবা চীংগী ওজাশিং অসি লিশাং শিংনা ৰারক্লবনি। হায়রিবা ওজাশিং অসি নৌনা লৈঙাক্কী থবক অমা এপ্লাই তৌবগী মতমসু হেন্দোকখ্রে। রিটায়ার তৌবগী মতম ফাওবা য়ৌশিল্লক্লবা ওজাশিং য়াওরে।

মীওইবগী মীনুংশি য়েংবিরগা অথুবা মতমদা ২০০৬ বেটচকী কন্ত্রেক্কী চীংগী ওজাশিং রিগুলরাইজেসন তৌবীয়ু। নৌনা গ্রেজুয়েট ওজা ৯২৩ লৌনবা ফিরেপ অদু ২০০৬ কী বেটচকী ওজাশিংবু রিগুলরাইজেসন পীদ্রিফাওবা হন্দোকপীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

য়ু ফাখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচএনএস): ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী সুপরিন্টেন্দেন্ট (এসপি) ভিক্তোরিয়া য়েংখোমগী লমজিং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম অহুমদগী য়ুঙৌ অমসুং য়ুঙাংশিং ফাগৎখ্রে হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অসিগী এদিসনেল এসপি রোমেন্দ্রোনা লুচিংবা পুলিসকী কাংবু অমনা ককচিং ইরুম মপাল, টোল টেক্স মনাক্তগী এম মংলেমজাও (৫৬) অপোকপা লৈখিদ্রবা কুবের কৌবা মীওই অমদগী য়ুঙৌ লিটর ১০০ ফাগৎপা ঙমখ্রে। অতোপ্পা য়ুগা কোন্ননা ফাগৎখিবা মীওইশিংনা ককচিং তোংলানদগী এম অজিৎ অপোকপা এম য়াইমা কৌবা মীওই অমদগী য়ুঙৌ লিটর ৯০ নি। ওল এয়ারপোর্টতা লৈবা ৩৯ শুবা আসাম রাইফলস, ককচিং কেম্প মমাংদা লৈবা হোটেল পেরাদাইস হায়রিবা অসিগী মপু কেএসঐচইবোতোম্বী কৌবা মীওই অমদগীনা ইন্দিয়ান মেদ ফোরেইন লিকর (য়ুঙাং) বোটল ৪ অমসুং য়ুঙৌ লিটর ৩ ফাগৎখ্রে হায়রি।

ট্রান্সফোর্মর শেমজিনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ইষ্টকী অন্দ্রো এসেম্ব্লি কন্সটিটুয়েন্সিগী মনুং চনবা টোপ চীংথা মখা লৈকায় অমদি নিংথৌনাই মখা লৈকায় অনীগী ওইরিবা এনটিএন-এ গী ট্রান্সফোর্মর অসি মতম কুইনা য়াখিদবদগী হৌজিক চীফ মিনিষ্টরগী এদভাইজরসু ওইরিবা অন্দ্রো এসেম্ব্লি কন্সটিটুয়েন্সি এক্স মিনিষ্টর থৌনাওজম শ্যামকুমারনা মতেং পাংদুনা শেমজিনখিবদগী হয়েংদগী মহৌশাগুম্না ট্রান্সফোর্মর অসিনা কোল্লিবা কঞ্জুমরশিংদা মৈ ঙালহল্লগনি হায়রি।

মাইকৈ অদোমগী প্রজাশিংনা এক্স মিনিষ্টর থৌনাওজম শ্যামকুমার এদভাইজর টু চীফ মিনিষ্টরবু ট্রান্সফোর্মর অসিবু শেম্বদা মতেং পাংবীরকপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোরক্লি হায়খি।

নুপীশিংগী মেন্টেল হেল্‌থকী ৱেবিনার পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচএনএস): নেসনল কম্মিসন ফোর ৱুমেন (এনসিদব্লিউ), ন্যু দিল্লীগী তেংবাংগা লোয়ননা সোসল এন্দ কলচরেল এদভান্সমেন্ট ফাউন্দেসন (এসসিএএফ), ইম্ফাল ইষ্ট খুরাই থৌদাম লৈকায়, অয়াংপল্লি রোদনা শিন্দুনা লমদম অসিগী নুপী ওইবীশিংগী তঙাইফদনা খন্নদবা য়াদ্রবা হীরমশিং ওইরক্লিবা ‘ৱুমেন মেন্টেল হেল্‌থ: ৱার্কপ্লেস মেন্টেল হেল্‌থ এন্দ ৱেলবিইং’ হায়বা টোপিক অসিদা নোংমগী ওইবা ওন লাইন ৱেবিনার অমা লৈমখোংদা ঙরাং পাংথোকখ্রে হায়না সোএল এন্দ কলচরেল এদভান্সমেন্ট ফাউন্দেসনগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ৱেবিনার অদুদা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱুমেন (এমএসসিদব্লিউ) গী চিয়ারপার্সন ডা. মৈনম বিনোতানা অথোইবা মীথুংলন অমসুং মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱুমেন অসিগী লৌরেম্বম দয়াবতিনা ময়ায় তাংবল লৌদুনা শরুক য়াখি।

ৱেবিনার অসি ফাউন্দেসন অসিগী সেক্রেটরি থৌদাম রাজেন্দ্রনা নুংগী ওইবা ৱারোল পীদুনা হৌদোকখি।

থৌরম অদুদা রিছোর্স পার্সনশিং ওইনা মণিপুর লৈঙাক্কী অয়ুস হোস্পিটাল, লম্ফেলগী ডা. রিচমা পুখ্রম্বম্না ‘মেন্টেল হেল্‌থ এন্দ সোসল চেঞ্জেস’, ওল মণিপুর বার এসোসিয়েসন (অম্বা) গী হান্নগী সেক্রেটরি এদভোকেট বি সুপ্রিয়ানা ‘মেন্টেল হেল্‌থ এন্দ কন্সটিটুসনেল প্রোভিজন’, এদভোকেট খুরাই কান্তনা ‘রাইট ওফ ৱুমেন এন্দ লিগেল এদ ফোর মেন্টেল হেল্‌থ ইন ৱার্ক প্লেস’, প্রোজেক্ট কন্সলটেন্ট প্রেমানন্দা অথোকপমনা ৱুমেন ইন ৱার্কপ্লেস অমদি ৱি ক্যার কাউন্সিল্লিং সেন্তর, ইম্ফালগী সেনিয়র কাউন্সেল্লিং সাইকোলোজিষ্ট থোইথোই ৰাংখেমনা ‘ক্লিনিকেল এন্দ সাইকোলোজিকেল সপোর্ট টু ৱুমেন মেন্টেল হেল্‌থ’ হায়বা হীরমশিংদা ৱা ঙাঙখি।

ঙরাংগী ৱেবিনার অদুদা নুপা-নুপী পুন্না মীওই ৫০ রোম্না ওন লাইনগী খুৎথাংদা শরুক য়াখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

চুড়াচান্দপুর কলেজগী ফীভম য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচএনএস): লৈঙাক্কী হায়র এন্দ টেক্নিকেল এদ্যুকেসনগী দিরেক্টরনা ঙসি চুড়াচান্দপুর কলেজগী ফীভমশিং হকথেংননা চত্তুনা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা কলেজ অসিগী ষ্টাফশিংগা মসিগী কম্মন রুমদা মিটিং অমা পাঙথোক্তুনা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখ্রে।

কলেজকী ষ্টাফশিংগগী মরক্তা পাঙথোকখিবা ইন্তরেক্সন প্রোগ্রাম অমদসু প্রিন্সিপাল অসিনা কলেজ অসিগী কেম্পেস মনুংদা মহৈশঙ অমা ওইবগী ওইফম থোকপা ফীভমশিং ময়েক শেংনা থম্লম্বদা অপেনবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মসিগীদমক কলেজ অসিগী প্রিন্সিপালবুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী খোঙচৎ অসি নেসনেল এসেসমেন্ট এন্দ এক্রিদিটেসন কাউন্সিলগী এক্রিদিটেসন ফংলবা কলেজ অমা মতৌ করম্না মসিবু হিংহন্নবগী করি করম্বা থবক থৌরমশিং পায়খৎকদগে হায়বদুগী মতাংদা খন্ননবা লাকপনি হায়খি। করিগুম্বা কলেজ অমনা হায়রিবা এক্রিদিটেসন অসি ফংদ্রবদি মহৈশঙ অদুনা য়ুনিভর্সিটিগ্রান্টকম্মিসন য়াওনা অতৈ ফন্দিং এজেন্সিশিংদগী তেংবাং ফংবা ঙম্লোই হায়খি।

মরম অদুনা কজেল অসিগী প্রিন্সিপল নৎত্রগা ইন্তর্নেল কালিটি এস্যুরেন্স সেলগী কোওর্দিনেটর নৎত্রগনা আই টিগী নোদল ওফিসর খত্তনা মহৈশঙ অসিগী ফীভম ফগৎহনবা ঙম্লোইদবনা পুন্নমক্না হোৎনমিন্নবা চংই হায়খি।

মসিগীদমক কলেজ অসিগী নহা ওইরিবা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসরশিংনা পুক্নিং চংনা মহৈরোয়শিংবু তাকপী তম্বীবগা লোয়ননা মখোয়গী মথৌদা হেন্না পুক্নিং চংগদবনি হায়রি। ঙসিগী খোঙচৎ অদুদা কলেজ অসিগী একাদমিক কাউন্সিলগী মায়কৈদগী মহৈশঙ অসিদা অনৌবা অন্দর গ্রেজুয়েট প্রোগ্রাম অমা হাংদোকপীনবগীদমক হায়জবা চেরোল অমসু পীশিনখি হায়রি।

ইন্তিগ্রেটেদ মেদিয়া ষ্টদিজকী কোর্স পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচএনএস): ষ্টেট ইন্সটিট্যুট ওফ জর্নেলিজম, দাইরেক্তোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স (দি আই পি আর) মণিপুরনা থা ৬ কী ওইবা ইন্ত্রিগ্রেটেদ মেদিয়া ষ্টদিজকী কোর্স অমা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

ইন্ত্রিগ্রেটেদ মেদিয়া ষ্টদিজকী কোস অসিদা তোঙান তোঙানবা ষ্ট্রিমশিংদগী ক্লাস ত্বেল্‌ব পাস তৌরক্লবা মীওইশিংনা শরুক য়াবা য়াগনি। কোর্স অসিগী ক্লাসনা চহী অসিগী দিসেম্বর থাগী অহানবা চয়োলদগী হৌগনি। কোর্স অসিদা শরুক য়ানিংবশিংনা নিতাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা দি আই পি আরদগী এপ্লিকেসন ফোর্ম লৌরবা য়াগনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক ষ্টেট ইন্সটিট্যুট ওফ জর্নেলিজমগী কোর্স কোওর্দিনেটরদা কন্তেক তৌবা য়াগনি হায়রি।

ৱারী মচা পাথোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচএনএস): ক্বাকৈথেল মোইরাং পুরেলদা লৈবা লৈমরোল খোর্জেই কোল (লৈকোল) গী ওফিসতা চোংথাম যমিনিনা চেয়ার লৌদুনা ৱারী মচা পাথোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না লৈকোলগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌরম অসি লৈকোলনা থা খুদিংগী চাং নাইনা চখুজরিবা লাইওইখ্রবা অইবী তখেল্লম্বম থোইবীগী ১০০ শুবা মপোক কুমওন থৌরমগী মনুং চন্না পাঙথোকপনি।

থৌরম অসিদা হুইরোংবম রেনুবালা, ময়ানেপ্রম, রঞ্জনা কোংবম, বিসাপতি থিয়াম অমসুং চন্দ্রকলা থাওদেমনচিংবা শকনাইরবী ৱারী মচা ইবী লৈকোলগী মেম্বরশিংনা ৱারী মচা লান্থোকপীখি।

থৌরম অসিদা লৈকোলগী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রিময়ুম সুবদনিনা স্পোন্সর তৌরগা পাঙথোকপনি। থৌরম অসিদা লান্থোক্লিবা ৱারী মচাশিং অসি লাইরিক ওইনা ফোঙদোক্কনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

নুমিৎ নীনিগী মনুংদা ক্রিমেটোরিয়মগী লমগী ৱারোইশিন পুরক্তুবদি খোঙজং চংশিল্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচএনএস): ময়াং ইম্ফাল এসিগী পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ১৮ অমসুং ১৯ গী ওইনা শেম্লিবা ক্রিমেটোরিয়ম কন্সট্রক্সন দিমান্দ কম্মিটিগী মায়কৈদগী মেদিয়া কোওর্দিনেটর এল জিবননা থোরকখিবা চেরোল অমনা কম্মিটি অসিনা ক্রিমেটোরিয়ম অমা শান্নবগীদমক তান্দুনা লাক্লিবা লম অসি পীবিদুনা মসিগী মতাংদা ৱারোইশিন অমা পুং ৪৮ গী মনুংদা পুরক্তুবদি কম্মিটি অসিনা চংশিল্লকপা মখল মখা কয়াগী খোঙজংদগী থোরকপা অফ ফত্তগী থৌদাং পুম্বা ময়াং ইম্ফাল এসদিসি ওফিস, এসদিও ৱাঙ্গোই, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নারগী ওফিসতা পুগদবনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা কম্মিটি অসিনা মীয়ামগী ক্রিমেটোরিয়ম অমা শান্নবগীদমক পোইন্ট ০.০৩ এক্কর পীবিনবা হৌখিবা কুমজা ২০১৫ তগী হৌনা মরী লৈনবা ওফিসশিং অসিদা তক্লদুনা লাকখিবনি হায়রি। অদুবু ঙসি ফাওবদা কম্মিটিনা তান্দুনা লাক্লিবা দিমান্দশিং অসি ফংবা ঙমদ্রি হায়রি।

DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

(অঙৌবা পকপা)

হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৰানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)

তাং চিকপা, শ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৰাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)

দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৰেৎ হন্থরক্নি। ফম্বী চাং হন্থর্ককনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্নি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)

নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কল্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)

পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)

ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)

নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৰাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)

না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৰাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)

শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it .with meal, vegetables or tea without telling him

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL

If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar -/level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210

DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/6508/06/11-05/12

CROSSWORD-3626



ACROSS

1 Coarse printed cotton cloth (6)
4 Nervous, tense (2,4)
8 Tedium (5)
9 Stop for a time (7)
10 Capable of being dissolved (7)
11 Come in (5)
12 Country of Central America (9)
17 More mature (5)
19 Conflagration (7)
21 Advantage (7)
22 First appearance (5)
23 At a leisurely pace (6)
24 Vanquished (6)

DOWN

1 Mark made by folding (6)
2 Wool fat (7)
3 Ascend (5)
5 Savings (4,3)
6 Resided (5)
7 Bear, tolerate (6)
9 Chewing gum flavour (9)
13 Cautious (7)
14 Circus performer (7)
15 Back-handers (6)
16 Putrid (6)
18 Traditional seasonal entertainment (5)
20 Very sweet confection (5)

Solution 3625

P	L	A	N		S	P	I	T	E	F	U	L
A		L		P		E		O		A		E
S	U	P	P	O	R	T		P	A	N	D	A
T		H		P		I		I		C		D
I	R	A	T	E		T	A	C	K	L	E	
C				Y		E				U		R
H	E	B	R	E	W		G	A	M	B	L	E
E		U				A		M				C
	S	T	R	A	I	T		B	R	E	A	K
C		C		S		H		U		A		L
U	H	H	U	H		O	B	S	E	R	V	E
B		E		E		M		H		L		S
A	R	R	E	S	T	E	D		A	Y	E	S

SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-3425

	4			6				
	2	5	1				9	
1				9	3		2	
	1				9	6		
		4				7		
		9	6				1	
	5		8	3				4
	8				4	3	5	
				2			7	

Solution-3424

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

9	8	4	5	6	3	1	2	7
5	6	2	7	8	1	3	4	9
7	3	1	9	4	2	8	5	6
8	5	7	2	3	9	6	1	4
2	4	6	8	1	7	5	9	3
1	9	3	6	5	4	2	7	8
3	7	9	1	2	6	4	8	5
4	2	8	3	9	5	7	6	1
6	1	5	4	7	8	9	3	2



লময়ানবা ইরাবত

ৱারী অমসুং খুৎয়েক : সামসন সলাম

জেল মনুংদা চান-থক্লুবা য়েনবদুসু মীনা চাবা য়াবা চিঙ্গাক অমত্তা য়েল্লমদে, লুখাক চগুম ঙাক্তা য়েল্লম্মী।



নুংদাং তুম্বদসু বন্দিশিংদু মফি অমত্তা য়াওদনা উপাক মথক্তা তুমহল্লম্মী।



জেলগী ফিভমশিংদু উরুবদা ইরাবত তুজুংবা ফাওখি, অরাবা পুম্নমক কোকহনগে হায়না চপ য়ুংনা লেপখি।